ফোংজবা কাংলুপ—

বীরস্ত্র পুস্তশ্রী, রাংখেম ওংবী সনাজাওবী, রাংখেমচা মরাম অয়ক, মীতৈ লৈমা, অমুজাও, চাওরাইমা, চাওতোন, তোম্বেন, সকোলপন।

অহানবা খুৎনম মশিং ২০০০
মলিয়াফম পালচা কুম ৩৩৭৮ (১৯৮০)
অনিশুবা খুৎনম মশিং 2000
মলিয়াফম পালচা কুম ৩৩৮৮ (খৃঃ ১৯৯৮)

মমল --- লুঃ ২.৭৫
" " ৭.০০

কনাগুম্বা লাইরিক অসি অইবগী অইংবা অরাবা য়াওদনা মমথোকপা য়াম্লোই। হৌজিক থোকপা পুম্নমক অইবগীনি।

মীতৈগী নোংকালোম

# কংথোকচবা

নোংমতোন মায়কৈ পাংখবা
লৈচিন খোংনেংনব্রবা
অপোকপা পখৌ— লৈরেঙ্গাও
অপোকপী পলেম— পেমচা
মখোয় অনিদা কৎচরি মচাগী
'মীতৈগী নোংকালোম'

নখোয়গী মচা—
রাংখেমচা চাংতমলেন।

# ৱাহৈদোক

"মীতৈগী নোংকালোন" কৌবা লাইরিক অসি ঐগী অহানবা থুদোল ওইনা, মীতৈ য়েক তরেংকী মফমদা পুখোকনা কংচবসিদা ঐগী থমৈথ লৈতনা মুভাইবগী ইহো অমা লৈরে। লাইরিক অসি ৱান্না পিকপা লাইরিরি, অদুবু লাইরিক অসিনা ৱান্না চাওথ্রবা থুমখনা লৈবা মীতৈগী লন অমা পুথোকনা মীতৈ মীয়ামদা উৎনবা হোৎনরি। মীতৈগী লন অসি তশেং-নমক ভাইবং মালেমদা অত্তাংবমি হায়বাস মরাম্না খাবিগনি।

লাইরিক মচা অসিদা ঐনা মরাগদা উংচনিংলিব মীতৈগী লন অসি মীতৈগী লান্নইশৈ হায়বা খুংশিবা অমসুং অওইদদা থুমখম ওইরবা ঈনাংকী ওইবা পোৎশক অমুনি। মীতৈনা শিববু 'লীক্লাং চোইনা তারে' 'থমমুং সবা তারে' হায়। লীক হায়বদি মৈ, ঈশিং, খুংশিং, লৈপাক, অহিয়া 'থম্লাই মহোম্নি হায়না পৌনম্নিবা পোৎশিং অসিবু 'লীক' কৌই. 'লীক' ময়াম অসিবু মীওইবদা য়াওম্নিবা মপু মহাক্কী শরুক ওইম্নিবা 'মি' নত্রগা 'মিরেল' অমুমা লংনা লেংবগুম লেংলনা 'ক্লাং' ওইনা কাঙ্গিন্দুনা থমই. লীক পরেং অমগুম থমই। অদুবু তাইবং হৱচাং অসিনা অরিবা ঈমা থুমখিদুনা, মপু মহোম্না লৈবা য়ারকত্রবনা মপাক্না থোকঙবদা পরেং অদু তংথোই, লীকশিং অদু চোই চোইনা তাথোই। মসিবু শিবা, লীক্লাং চোইনা তাবা কৌই। থমমুং হায়বদি খুংবু থম্বা হায়বনি। 'ঐ'

হায়রবা রাখল অমা লৈজরিবা অসিদু 'হুং' হায়ি। শিবনা রাখল অসিদু থমহল্লি হায়রবগী শিবদু থমজুং কৌই। মরম হায়রবদি শাবা হায়রবদি, তাইবং মপু মহাক্না তাইবংচাদু থাদোক-পদা শাগী মশক ওইরিবা হকচাং অদিনা রাগা লৈগৈহাই থান্ন-বনি। মীওইবগী শিবা হায়বা থবক অসিনা তাইবং মপু মহাক্না তাইবং মমু হকচাংদগী পাক চওখৎ মশক মঙাংনাইদবা মপু মহাক্কী মপুম ওইরিবা তরং নোংকালোন্দা চোংথোকখি। মসিদু মীতৈনা লানবা কৌই। মীতৈগী লাম খোরম হায়বা শিরবা মতুংদা তৌবা খোরম নৈগে। মী অমগী শিবদাই অমসুং শিবা ফাওবদা তৌরিবা খোরম পম্বেং অদুবু লাম খোরম কৌই। মসি সুমাংদা থাংগোক থনবা, শিনদোরিবা মীদু থাংগোক মতুংদা হিপহনবা, লম টৈথে শকপা পুরাক অনি লাম-খোরমনি। ৭ নি শুবদা তৌরিবা অসিদি চুপপা যোইহেম কৌই, থাংগোকপগী খোরম নত্তে পুশিল্লকপগী খোরমনি।

য়েক ৭ কী মীতৈশিংনা থরাই য়াওনা লাংবিক অগ্রি পাবিবা হুমিং অদু ঐগী মায়শাকপা হুমিংনি।

১৭৪০

য়েক তরেৎকীমক হিংজবা—

থাংখেমচা চাওতম্বলেন

মকোলপম।

# মীতৈগী নোংকালোন

পাকচাওরবা ওমথৈ লৈত্রবা তেংপান অসি তেংপান মপু মহাকী শাকোংনি। অঙকপা অমসুং ফজবনা থল্লবা তেংপান অমসুং তাইবংপান অসিনা মপু মহাক লৈ হায়বা কোংদো-কই। পিকপ্রবা ককচেং অমদা লৈরিবা থরাই-বি অদু অমসুং শিংপ্রবা তাইবংপানবু লমজিংগে খল্লিবা পুপা অমগী মশাদা য়াওরিবা থরাই-মিরেল অদু অপুনবা থরাই-মিরেল ওইরিবা মপু ( Universal life ) মঙোন্দগী থোকপনি অমসুং মহাকী মচেৎনি, মশেক মঙাম্নি। মপু মহাক লৈবতনা তাইবংপান-বনা হিংজবনি। মীতৈনা "নোংকালোন" হায়বদি মপু মহাক্কী মচেৎ, মশেক মঙাল ওইরিবা তাইবংচা ঐথোয়না তাইবং হকচাং থাদোক্লগা মপু মহাক্কী মফমদা তিনখিবা, হোৎনককম মঙোন্দা হনজিনখিবা তাকপা রাখল-লিচৎনি। পোলপী-লাংনা শিবা অমসুং নোংকাববু "য়াচংপা" কৌএ। "য়াচংপা হয়পতি হরাই মঙামক্না মপুকা য়ানতুনা চংলিপপু য়াচংপা কৌএ" [১]

---

১ পোলপীলাং

নোংকালোন = নোং + কা + লোন

মীতৈনা পাকচাওব্রবা মপাল নাইদ্রবা তেংপানববু 'নোং' কৌই। খুদম :—নোংতোন (নোং + মতোন), নোংপোক (নোং + পোক = মমলিডেদা উদবা তেংপানববু উরে, পে কলে) নোংচুপ (নোং+চুপ), নোংথৌ (নোংথৌ = নোংবু থৌবা =তেংপান মপু), নোংথৌরেন পুমাবা (নোং+থৌ+রেল পু+মাবা), নোংথৈ মউ লিংবা (নোং+থক+লৈ = নোংথৈ), নোংলোন (নোং+লোন), নোংমিৎ (নোং + মিৎ) অসিনচিংবা

মীতৈনা মথকতগী তারকলিব' ঈশিং অসিবুসু 'নোং' কৌই। করিনুংগী নোং কৌরিবনো হায়রবদি মপান নাইদ্রবা নোংথক অসিদগী তারকলিবা ইশিং অসি নতনদি তাইপংপানবা অমতা হিংবা ঙমদে। মরম অসিনা মপান নাইদ্রবা শকতম লৈত্রবা মপু মহাক' অমতা ঙাইবা তাইবংচাদা তৌরকপা থুদেব্রি. মপু মহাকমকনি হায়দুনা 'নোং' কৌই। ঐখোয়না হৌজিক 'নুমিৎ' হায়না খংনরিবা পোৎ অসি মীতৈ লোন্দা 'নোংমিৎ'সু[2] কৌই। 'নোং' মপু মহাক্কী 'মিৎ' মিৎনি হায়বগী 'নোংমিৎ' কৌই। মরম অসিনা 'নোং' হায়বা রাহৈনা মপান নাইদ্রবা শকতমবুসু খংনরে, মপু মহাকমকসু শকতম নাইদবা মপান নাইদবা তেংবানবু শেম্না ওইবনা, 'নোং' হায়বা রাহৈনা মপু মহাকপুসু খংনরে।

২মাতৈ থৌরমগী রাংউলোন,

'কা' হায়বদি কাংলপা, মপু মত্তোন্দা তিনখিবা হায়বনি। 'লোন' হায়বদি মকম অসিদা রাথল, রাখুল, লোনচৎ হায়বনি। মরম অসিনা নোংকালোন হায়বদি মীতৈনা শিরগা থরাই মিরেপনা মপু মাহাক্কী মফমদা তিনখিবগী লোনচৎ, রাথললিচৎ হায়বনি তথেলে।

ঙসিগী মমাং চহি কুমচা লিশিং অহুংগী মতমদা পোক্লবা থাইনগী মীতৈনা শিরগী মতম খংলমই। কুনশুবা চহিচাদা (English কী) মসিবু Science না য়াবরা [চুম্‌বা] হরবতুদি হৌরকলিবা নহরোলনা থিজিনবা, য়েংশিনবা মথৌ তাদ্রি। রাকম অসি ইয়েক ১৮ না ইবা পুয়াদা তথেংনা হায়রব্রবনি।

"সম অমা লুরাই লিলফুতকী কৌও, খুজিন্‌ম শিকতুনা থেংও, কোনখংলপতি সিলোইয়ে ॥ তিংলপতি সিপনে ॥"[3] পুয়া অসিনা হায়রিবদি মী অমা কল্লা নারে, শিগনি চংগনি হায়বা থংদ্রে। নারিবা মী অদুগী লরাই লেনফুদগী শমমা অমথক শম ময়ামদগী থাইদোকতুনা পায়রো, ফুকতোকপবা নত্তে। শম অহুদা খুজিম্না কল্লা শিকউ। শম অদু খুজিম্না শিকপনা থোইরবদি [খুজিন মফম অদুদা থোইরবদি] নারিবা মী অদু শিরোই অদুগা খুজিন মফম তাদ্রবদি (থোইদ্রবদি) নারিবা মী অদু শিগনি।

৩ থমওই য়াংওই সেকনিং

পুয়া অসিদা মী অমা শিগদবা চহি তরেৎ রাংলিটৈং-দগী থংবা ডম্বগী রাকম য়াওরি।

লরাই লুৎতন্দা "হন্নিংগী খোনচেনকুম্না ঙোং ঙোং লাও-না চেল্লপতি পুৰিৎ নিনিঙা মচাইশে থংকনি"৩

পুয়া অসিনা হায়রিবদি মী অমা অহল ওইশিল্লক্লে, মহাক্লা শিবগী মতম অসি ফজনা থংবা য়াই। অহল অদুগী লরাই লুৎতোন্দা হন্নিংনা খোংবগুম্না ঙোং ঙোং লাওনা তেৎয়না চেল্লকলবদি মী অদু পুং ৪৮ দগী হেন্না হিংলরোই।

পুয়া অসিনা হায়রিবা অসি লাচৎ অপুং শোয়না শিল্লোন [ Religion and Culture ] গী রাকম নত্তে, Science কী রাকমনি।

"মপালি মখোম অনিমকপু মমু মাংতা ইপাকীতমক পোৎসি পোংলোই থাংফমতা লমচিংলো হায়কতনে। অতুকা মচাকী মতুং ইন্না চৎকতলে। অসিপু মচা পোকচপকী মতৈ ম ল্লে হায়পতি অসিপুনে॥"৩

হন্দকী মতাং অসিদা পুয়া অসিনা হায়রক্লিবা অসিদি লোয়নশিল্লোন অমসুং লিচৎ [Culture and Religion ]গী রাকমনি। অহল অমনা মহাকী শিগদবগী মতম অসি চপচানা থংলবা মতমদা মহাকপু সুমাংদা*লৈবা থাংলেনকমদা*থাংপোক* অমগী মখুংদা মচানুপা সুপীশিংনা চিংদুনা পুশিনহনগনি।

থমওই মাংওই সেকনিং



*সুমাং = সু + মাং = সু হায়বদি সুনা + মাং হায়বদি মাংবা নত্রগা মাংখিবা। সুমাং হায়বা মফম অসিদা তাইবংচা পুম্নমকী পুন্সি মতোনলে মাখবনা (মাংখিবনা) মফম অসিবু মীতৈনা সুমাং কৌই। থেনলোং হায়বদি থেন্দুনা লোংন (শিগদোরবা মী অদুবু) থমই হায়বগী থেনলোং কৌই।

*থাংলেনকম = থাং + লেন + কম = থাং হায়বদি থাংবা + লেন হায়বদি লেনবা + কম হায়বদি মফম। শিগদোরবা মী অম-মা থাংলেনকমদা থাংপোক মখুংদা লোংনা হিপতুনা শিবা ডাইতুনা লৈ। শিরমদাইগী অরা অনা পুম্নমকপু থাংদু-না লেন্দুনা মফম অদুনা লৈ হায়বগী মফম অদুবু থাংলেন-কম কৌই।

*থাংপোক = থাং + পোক = থাং হায়বদি থাংবা + পোক

মহাক্লা থাংপোক মখুংদা মকোক অতুনা কৌশলু [কৌক্রু] দা তন্দুনা লোংনা হিপল্লগা শি-বা ডাইতুনা লৈগনি।

ঐখোয় মীতৈনা ঐখো-য়না লৈরিবা কংলৈপাক [ মনিপুর হায়না লান্না কৌশিনরিবা] হায়ব. লৈপাক অসি ডাইবং পানবা মপু মহাকী শকতম্বি হায়না লৌই। কৌপল্লুনা মপু মহাকী কোকলেননি। কংলৈ-পাকী থাদা লৈবা রাংপুলেন থানা চাওপনা মপু মহাকী -খোংগী শরুকনি। লোক-তাক্লা সনা তেংকোৎ [Seman cup] নি, কংলানা খোয়দোলনি লাইপুংথৌ তরেংনা *মপু মহাক্লী হকচাংগী তোঙান তোঙান শরুকনি। শিবা হায়বসি মপু মডোন্দা হনজিন বনি, য়াচংবনি অমসুং তিন-থিবনি হায়জক্লে। ময়ম অসি-

হায়বদি পোকপা। থাংপোক মনুংদা মী অমনা অরা অনা থাংহনা শিবা ডাইহনা লৈ। মফম অসিদা অরা অনা থাংহনা লৈরিবা অসি অনৌবা পুনসি অমদা পোক্লবা থাংলিবনি হায়বনি। *মীতৈনা মপোক-লাংওন্দ খান্নবা থাজরম্বা [ Extreme belief in re-birth ) গী থুদমনি।

না মীতৈনা শিবা মতমদা মপু মহাক্কী সমু হকচাংমকনি হায়না লৌরিবা ইপাকৈলপাক কংলৈপাক অসিগা চপ চানা তিন্নবা, কাকা কোকা, খেংগা খোংগা পুনহিনবা তিপতুনা সিবা ডাইহনা লৈ। কংলৈপাক হায়বা লৈবাক অসি মীতৈগীদি ইপালৈপাকনি. পুনসি অমত্তুং লিচৎ [ পুনসি অমত্তুং ধর্ম্ম ] গা তৎনবা থানবা খাদনা মরি লৈনরবা লৈপাকনি। মীতৈনা থাজরমই— কংলৈপাক অসিদা সিরবতদা মপু মতোন্দা চংজবা ফংই।

ক লৈপাক অসিদা হিংজবা অমত্তুং শিজবা মীতৈগীদি তোদবা য়াদ্রবা পুনসিনি, লিচংনি [ পুনসিনি, ধর্ম্মনি ]। মীতৈগী দমকতদি মরৈপাক নিংবা [ nationalism ] হায়বসি লিচৎনি, ধর্ম্মনি। মীরৈপাকতা শিববু 'লম্‌সি' কৌই। য়াম্না মরাইপক থীবনি হায়না লৌনৈ।

*লাইপুংথৌ তরেৎ— (১) নোংপোক চিংথৈ অপানপা (২) অরাংপা কৌপরু (৩) থাংচিং কোয়রেনলাই (৪) বাং পুরেন থানা চাওপা (৫) ইলাই পুরেন পুলিং লাই (৬) লাইনিংথৌ পাংকনপা (৭) মরাইরেন সিবা ৪

৪ হাকোকলোন থিলেন



"তৌজিকতি লৈপাক পুম্বা লোইনা অৱাবা চংলবনি। লুগী লুচেৎ পুদনা নিংথি ইরেলদা থাদবদি মীতৈশিংনা অরা লৈপাক্কী মীথা পোল্লগনিদো! য়েক্ক মীথা পোন থৌচৎ হৈনে॥ মংলেন মংখোং হাংদুনা শরু শরু ফুকপদি নিংথেম নংনা মহৎগী মরান ফংগনিয়ে।" ৫

"... the records distinctly show that up to the formal introduction of *H*induism in the reign of Pamheiba the people bureid their dead, ate meat, drank ar*d*ents spirits, and behaved just like the hill people of present day" 6

মীতৈলোনগী হাংদোক —

"হিন্দু ধর্ম্মবু পামহৈবনা পানবা মতমদা পুশিল্লকপা অদু কাওবদি মীশিং অসিনা মপোংগী অসিবা মসা ফুম্নমই, শা চারমই, য়ু থক্লমই অমত্তুং তৌজিক্কী চীংগী মীশিং অসিগুম্ন মরমচং চংলমই অইবা রেকোর্ডনা ফজনা তাকই" 6

"*I*t is well kown that up to the advent of *H*induism, the dead were buried, and the chronicles mention the enactnent by Khagemba of a rule that the dead were to be bureid outside the enclosures of the houses. Gharib *N*awaz or*dered* the Manipuris to exhume the bo*d*ies of their ancestors, which they formerly use*d* to bury insi*d*e their compoun*d*s. At a later *d*ate in his reign, in the year *1724*, Gharib *N*awaz exhume*d* the bones of his ancestors an*d* cremate*d* them on the banks of the Engthe River, an*d* from that time or*dered* his subjects to burn their *dead*" 6

ৎপামহৈবা লাৱে লাংপ

6 The Meitheis by T. *C*. H, *Hod*son. pages 97, 116, 117

মীতৈলোনগী রাহস্থোক— "হিন্দু ধর্ম্ম লাকত্রিদ্রৈদগি পিরবা মীসিংবু ফুন্নবই হায়বসি কজনা থংনরবা রানি অমসুং থাগেম্বা নিংথৌনা অসিবা মীশিংবু য়ুমগী শম্বল রাংমদা কুমগংবনি হায়বগী চৎন-পথাপ অমা পুথোকপা কোমুংগী নুমিৎ খুদিংগী ইনশিনবা লাইরিকতা (চৈথারোল কুম্বাবাগুম্বা লাইরিকতা) ফংই। গরিবনিরাজ নিংথৌনা মনিপুরিশিংবু মখোয়গী য়ুমগী শম্বল ইমুংদা ফুম্নম্বা মপা মপুগী অসিবা মথাশিংবু তৌথোকউ হায়না য়াথং পিরমই। মতম খরা লৈরগা মহাক্না পাম্লিদ্রৈদা খৃঃ 1724 দা, গরিবনিবাজনা মহাক্কী মপা মপুগী শরুবু তৌথোক্লমই অমসুং এংখি তুরেল (লিংখি তুরেল) কোবাক্কী মৈ থাদোক্লম্লই অমসুং মতম অদুদগী মহাক্কী লৈপাক্কী মীয়াম্বু মখোয়গী অসিবা মশা মৈ থাগদবনি হায়না য়াথং পীরমই।" 6

"The religion of the Country is ostensibly Hinduism, and this is apparently of Comparatively recent introduction, or, according to purdits and authourities, a revival. The Proof of revival is so meagre, and the statment in support of the idea that the Hindu religion existed in the Country at a every anceint period are so contradictory and unsatisfactory, that there is no hesitation in stating that in every Probability, although a spurious and imperfect form of Hinduism may have existed in individual cases previous to the reign of Gharib Newaz, about A. D. 1750, it was during his reign that Hindu religion became General, and was adopted by him and by the majority of the people" 7

6. The Meithis by T. c. Hodson Pages 97: 116 117

7. Gazetteer of Manipur by E. W. Dun page 16.



মীতৈলোনগী রাহস্থোক—

"লৈপাক অসিগী লীচৎ (ধর্ম্ম) সি তৌশিন্নবা হিন্দু ধর্ম্মনি, অদুগা মসিসু পুশিল্লকপা কুইত্রি হায়বসিসু উই অদুবু কোম্নুংগী পণ্ডিট অমসুং অচৌ অশাংনদি (শিক্রুবদগী) হিংগৎলকপনি হায়। হিংগৎলকপনি হায়বগী পিরিবা প্রমান অদু অসুক্কী মতিক মতিক চাথিদ্রে অমসুং হিন্দু ধর্ম্মসি থাইনদগী লৈবাক অসিদা লৈরকলে হায়বসে সোগৎনবা মখোয়না পিরিবা বায়েৎ অদু অসুক্কী মতিক অমগা অমগা থেংগাইদ্রে অমসুং য়ানিংদ্রে মহুদি ওইবা য়াবা পুম্নমক খল্লুরবা মতুংদা, গরিবনিরাজনা পানবগী মমাংদা মপূং ফাদবা অমসুং শেংদবা হিন্দু চৎপা মীওই খরা লৈজরম্লবসু, মহাক্কী মতমদা চাওরাক্না খৃঃ ১৭৫০ দা ধর্ম্মসি ময়ামগী ওইখিবনি, মহাক্না ধর্ম্ম অসিবু লৌখিবনি অমসুং মীয়াম্নসু লৌখিবনি।" 7

"The origin of the Manipuris is obscu re, and the written records, having been mostly composed since they became Hindus, are not worthy of much credit. Their claim to a Hindu origin has been rejected by Pemberton, who considers them to be descendants of a Tartar colony." 7

মীতৈলোনগী রাহস্থোক —

"মনিপুরীশিং অসিগী হৌরকফম অনি য়াম্না শেংদে, অমসুং অইবা রেকোর্ড লৈরিবা অসিসু মখোয়না হিন্দু ওল্লগা শেম্বনা অয়াম্বা ওইবনা থাজবা য়াম্না বাংলে। মখোয়না হিন্দুশিংগী

7. Gazetteer of Manipur by E. W. Dun Pages 16, 37

মচা মশুনি হায়বসি পেম্বরতন্না য়াদে অমসুং মহাক্না ভারতার কাংবুগী মচা মশুনি হায়" 7

"Their claim to a Hindu decent has been rejected by some persons who studied the subject with great attentien. One officer formed his opinion that they are descended from a tartar colony from China" 8

মীতৈলোনগী ৱাহন্থোক—

"মখোয়না মখোয়সি হিন্দুগী মচা মশুনি হায়বসে মখোয়গী মরমদা মুন্না নৈনরবা মী খরনা শুকয়া য়াদে। ওফিসার অমনা মখোয়সে চাইনাদগী লাকপা তারতার কাংবুগী মচা মশুনি হায়" 8

"All these tribes have also traditions amongst themselves that theMunniporees are offshoots from them. These traditions then, and the composite nature of the language appear to me to afford more reasons for süpposing the Munniporees to be decended from the surrounding hill tribes" 9

মীতৈলোনগী ৱাহন্থোক—

"চীংদা লৈবা মী কাংবু পুম্নমক অসিগী মনিপুরীশিং অসি মখোয়দগী থোকখিবনি ( মখোয়গী কাংবুনি ) হায়বগী ৱারি লৈ। ৱারিশিং অসিগা অমসুং ( মীতৈ ) লোন্দা য়ান্নবা মওং ওইবা অসিগা খল্লুরগা এঙোনদি মনিপুরীশিং অসি চীংগী মী কাংবুশিং অসিগী মচা মশুনি হায়বসি য়ানবা মরম লৈ"। 9

7 Gazetteer of Manipur by E W Dun Pages 16, 37
8 Statiscal account oi Manipur by R, Brown:, page 57
9 The Meitheis by T.C. Hodson-



ঐখোয় অসি হিন্দু আর্য্যগী কাংবুরা মত্রগা অহোল্লা মী কাংবু অমরা হায়বসি হৌজিকতি য়েংনবা য়াদনা লেপলে হায়না খল্লি। মীওইনা পোক্লমই পোল্লমদে হায়বগী অরেপ্পা পাওখুম পীবা ঙমজ্রিবা আর্জুন হায়বা মুপা অমগী ৱাফম পুশিন্নগা মীতৈবু হিন্দুনি হায়নবা হোৎনবা অহু হৌজিকতি মপুং ফানা মাইথিরে। ১৯ শুবা ইংলিসকী চহি চাদা ইংলিস মচাশিং অসিনা লৈপাক অসিদা হেক য়ৌরকপগা কংলৈপাকতা লৈরিবা মীওইশিং অসি কনানো করম্বা মী কাংবুনো; করম্বা লিচৎ ( ধর্ম্ম ) চৎলি হায়বসি থিজিল্লি। মীতৈ লৈপাকী কোন্নুংদা লৈরম্লিবা হিন্দু নিংথৌ অমসুং মহাকী মতেং পাংবা ব্রহ্মসভা (ময়াং কাংবু ) না মী কাংবু অসি হিন্দুনি, ধর্ম্মনা হিন্দু ধর্ম্ম চৎলি হায়নবা ঙমজবী থাত্নুনা হোৎনৈ। মরা লৌবিদে। মথক্কী extract খরা অসি মুন্না পাবিয়ু।

পুম্নমক অসিগী মথকতা হৌজিকতি মীতৈগী মখুৎতা 'মীতৈ হিন্দু নত্তে, হিন্দু ধর্ম্ম চৎলমদে, নমহুনা চৎহনখিবনি, হায়বগী অইবা অমসুং ইদবা প্রমান কয়া লৈরে। মসিগী মতাংদা মীতৈগী য়েন্নবনা মীতৈবু শীংননবা হোৎনবা, মীতৈগী মাংদা লেপ্পা ঙমলরোই।

মীতৈনা হিন্দু ওইরমত্রবদি, হিন্দু ধর্ম্মসু চৎলমদ্রবদি অদুগা অংরোমদা মীতৈনা ঙসি ফাওবা থাজরিবা অদুগা চীংদা লৈরিবা কাংবুনসু থাজারবা চীং অমসুং তমদা তারিবা মীশিং অসি মী কাংবু অমতনি জাং অমতনি হৌরকফম অমতনি

হায়বসি লৈবনা মীতৈনা শিরগা মৈ থারমদে ফুমলমই হায়বসি ককপা য়াব্রবা রাকমনি।

অদুগা অরেম্বা রাকম অমনা পামহৈবা লাইরৈ লাথুপতা মীতৈদি ফুমলমই মৈ থারমদে হায়বগী অরেম্বা প্রমান পীবা অসিনি। মীতৈবু নমত্তুনা হিন্দু ওলহল্লবগী মতুংদা. পামহৈবা নিংথৌনা মীতৈগী মংদগী মুংশিরবা ইপা ইপুগী শরু অমসুং মপোক মচেবু নমত্তুনা তৌথোক্লগা লৌথোক্লগা নিংথি তুরেলদা হুনথৈ লংথোকই হায়রি। অকিবা অমসুং অরানবগী মশকনি।

পামহৈবা লাইরৈ লাথুপতা হায়রম্বা অসি T. C. Hudson অমসুং মহাক্কী ইংলিস কাংবুনম্ব হায়রম্বা অসিনি। মথকতা পিজখিবা T. C. Hudson গী লাইরিক "The Meitheis"দগী লৌখোকপা রাহে পরেংশিং অদুদা য়াওরিবা "...exhume...." হায়বা রাহৈ অসি লৈপাকতগী তৌথোকপা হায়বনি।"....Engthi River...." হায়বা অদুনা নিংথি তুরেল হায়বনি। "....cremated ..." হায়বা রাহৈ অদুনা মৈ থারমই হায়বনি। পামহৈবা লাইরৈ লাথুপ অমসুং The Meithis ইবা মতম খেন্নৈ। পামহৈবা লাইরৈ লাথুপ্পা ১৮ শুবা সটাবদিগী অহোবদা ইবনি and English মচাশিংগী লাইরিকশিং অসিনা অয়াম্বনা ১৯ শুবা সটাবদিদা ইবনি। মথোয়গী লাইরিক্কী মচাকশিং অসিগী ফংকমম্ম খেন্নৈ। পামহৈবা লাইরৈ লাথুপ্পা উহৌবা তাহৌবা মীতৈনা ইবনি অদুগা সাহেব মচাশিং অসিগী লাইরিক্কী মচাক্কা হিন্দু নিংথৌ অমসুং মহাক্কী মতেং পাংবাময়াং সভাদগী অয়াম্বনা ফংবনি।

অদুবু চেনবা য়াদবনা সাহেবশিংনস্ত্র শেংনা হায়রমই।

"গুরু শান্তিদাসনা হায়রমই— মৈতৈগী ইশৈ শকপা য়াদে, মাহুদা মুংশিত্তুনা মীতা পী তাত্রনা কপলবদি— অয়ুক মুংথিল শিরগা কাক ওন্দুনা, অহিং শিরগা মকু ওন্দুনা মকোই মুংওন চোংদা পাইশিল্লি. অদুগা নরক তাই। নোংপোক নিংথৌ পাম্থোই-বীগী মণ্ডপ তাবা য়াদে, খম্বা থোইবীগী ইশৈ তাবা য়াদে, হায়না নিংথৌনা থিংহল্লি, মাহুম তৌহুনা মৈতৈগী মংদা ফুম্বা চিন্তামনি ময়াম ফুকতুনা শামুমপোং তরুক নিংথি তুরেলদা হুম্থি।"[১০]

অতোম্বাপু শর্ম্মা মীতৈগী মরূপ ওইরমদে— ময়াম্মা থংনরবা রাকমনি। অদুবু মহাকস্ত্র মথাক্কা থংবা অচুম্বত্তুদি শেংনা হায়রমই।

হৌজিক ফাওবনা মীতৈনা হিন্দু ধর্ম্ম চৎতুনা মৈ থারবস্ত্র হকচাংগী শরুক খরা 'লৈতাইবা' হায়না চৎনরি। মসিস্ত্র ফুমলম্বগী খুদমনি, ইপা ইপুনা ফুমলম্বা কাওদনবা থমলম্বা খুদমনি।

হৌজিকতি, মরম পুম্নমক অসিনা, মীতৈনা শিরগা মৈ থারমদে ফুমলমই হায়বসিস্ত্র অরেম্বা ওইরে, য়েৎমানিংঙাই লৈত্রে।

মীতৈ (হিন্দূ) না হৌজিক শিবদা শকলিবা ইশৈ পরেং অসি অমতা মীতৈগী নত্তে। মরোল মরি খংদবা লোন্দা পুদা অদুনস্ত্র মীতৈগী নত্তে হায়বা খংবিরমগনি। মীতৈগী য়াম্না মুংশিবা হেন্না ফজবা তেংথা ইশৈ (পুথোকপদা শকপা ইশৈ)

১০ অতোম্বাপু শর্ম্মা "পাখংবা" লাঃ ৫

নিংশিংহল্লি পূন্নমক তাইবংনি, পুন্নমক পুনসিনি পুন্নমক অরেম্বনি, মপু মাতনা অরেপ্পনি হায়বা তাহল্লি। পাক চাওখ্রবা লানউমদবা তাইবং ইপাকপু লানহল্লি।

শকলিবা ইশৈ অসিনা করি হায়রিবনো? মীতৈনা পোকপা হিংবা শিবা হায়ধসি করিনি হায়না লৌবগে? থাদোকপা য়াত্রবা পোকপা হিংবা শিবা হায়বা লম্বী অসিনা তাইবং শেম্বা মপু মহাককী মফম করিনো? মপু মহাকপু মীতৈনা করিনি হায়না লৌরম্বগে? ঐখোয় হৌজিক য়েংশি। ইপা ইপুগী অরাংবা থাককী রাংউলোন থন্নসি।

হৈরাংখোয়নিদা
চানবা হৈ নদা

ঐখোয় খুদিংনা ইরাই লাইনা থংবা পোৎ অমগি হৈরাংখোয় হায়বদি নুপী ওইবীশিংগী থবাকতা ফিনা কুপতুনা লোৎতুনা থম্বা পোৎ অত্রব মানবা উহৈ অমনি। অত্রগুম্বা উহৈ অত্র চানিংবগা হেকতুনা চানবা পোৎনি হায়বনি। চানিংবগী মীওৌবা হেক পোকপগা হেকতুনা চাবা য়াই হায়বনি। মদিনি ইচম চম্না মপান্দা মথককি পরেং অনি অসিনা উংলিবা।

হৈরাংখোয় = হৈ + লাং + খোয়

মীতৈগী অরিবা লোন্দা হৈ হায়বা রাহৈনা তাইবং মপু মহাকপু থংনৈ অত্রগা অপোকপা ইপাবুম্ম থংনৈ। নুপা ওইববুম্ম থংনৈ। খুদম — "হৈনা মপান থাপা হানা মউ লিংগী কোঁপতি ফৎসী কোনতকী নৌরা অভাং মপু হুনপা ওইখিয়ে" ১১

১১ রাকোকলোন খিলেন



লাং হায়বদি মফম অসিদা লাংবা, লাংতক্লবা, মিহৌবা হায়বনি। মীতৈলোন্দা 'খোয়' হায়বদি পুক্লিং হায়বনি। খুদম— খোয়দাদে, খোয়দাজে, খোয়রাংই……। মরম অসিনা 'হৈরাংখোয়' হায়বদি নুপা ওইবশিংগী মিৎয়েং থমফম; মিহৌনফম ওইবা নুপীওইবীশিংগী থবাক হৈরাংখোয় মানবা অহুব হায়বনি।

মরম অসিনা মথক্কী ইশৈ পরেং অনি অসিনা হায়রিবদি থবাক অত্র উরুবদা অপাম্বনা মৈহৌরে, মিহৌবনা থুমহৎলে, চানবা ওইরে শোক্লবা ওইরে হায়বনি— অহুবু……।

'শীবু খোইনা হাওবা হৈদি,
চীন্তম্বা হৈনিদা.

মফম অসিদা শিজিন্নরিবা 'শীবু' হায়বা রাহৈ অসি নুপা ওইবশিংগী পুক্লিংদা হোরক্লিবা ইহৌ— অপাম্বা মিহৌবা— অহুবু মহুৎশিনবা রাহৈ ( Demonstrative Pronoun ) নি। শক্লক্লিবা রাথল — অপাম্বা মিহৌবা— অত্র থংবদগী হেনবা মরম লৈরি, 'চীন্তম্বা হৈনিদা' হায়বনি। 'চীন্তম্বা' হায়বদি তাইবং মালেমদা তাইবংচানা ইহান হান্না লাক্লগা অহানবা চাবা পোৎ হায়বনি। 'চীন্তম্বা হৈনিদা' হায়বদি তাইবং শেম্বা মপু মহাক্না তাইবংচানা পদেমগী নাওবীকোন্দগী তাইবং লমতাও ফাওরক্কপদা অহনবা উহৈ রাহৈ চাবা ঙমজ্রিঙেদা চারুনবা থারকপা হারিক লাইজ "পলেমগী খোম্লাং" হায়বনি।

মরম অসিনা মথক্কী ইশৈ পরেং মরি অসিনা হায়রিবদি তাইবং শেম্বা মপু অহুনা থারকপা থরাই — মিরেল অহু পম্বৌ

নিংশিংহল্লি পৃম্নমক তাইবংনি, পুম্নমক পুনসিনি পুম্নমক অরেম্বনি, মপু মাতনা অরেপ্পনি হায়বা তাহল্লি। শাক চাওখ্রবা লান-ঙমদবা তাইবং ইপাকপু লানহল্লি।

শকলিবা ইশৈ অসিনা করি হায়রিবনো? মীতৈনা পোকপা হিংবা শিবা হায়বসি করিনি হায়না লৌবগে? থাদোকপা ম্লাদ্রবা পোকপা হিংবা শিবা হায়বা লম্বী অসনা তাইবং শেম্বা মপু মহাককী মফম করিনো? মপু মহাকপু মীতৈনা করিনি হায়না লৌরম্বগে? ঐখোয় হৌজিক য়েংশি। ইপা ইপুগী অন্নাংবা থাককী রাংউলোন শন্নসি।

হৈরাংখোয়নিদা
চানবা হৈ নদা!

ঐখোয় খুদিংনা ইশাই লাইনা থংবা পোৎ অগনি হৈরাংখোয় হায়বদি নুপী ওইবীশিংগী থবাকতা ফিনা কুপতুনা লোৎতুনা থম্বা পোৎ অত্তব মানবা উহৈ অমনি। অত্তওম্বা উহৈ অত্ত চানিংবগা হেকতুনা চানবা পোৎনি হায়বনি। চানিংবগী মীতৌবা হেক পোকপগা হেকতুনা চাবা য়াই হায়বনি। মশিনি ইচম চম্না মপান্দা মথককি পরেং অনি অসিনা উৎলিবা।

হৈরাংখোয় = হৈ + লাং + খোয়

মীতৈগী অরিবা লোন্দা হৈ হায়বা ৱাহৈনা তাইবং মপু মহাকপু থংনৈ অত্তগা অপোকপা ইপাবুম্ন থংনৈ। নুপা ওইববুম্ন থংনৈ। খুদম— "হৈনা মপান থাপা হানা মউ লিংপী কৌপতি ফমগী কোনতকী নৌরা অত্তাং মপু হুনপা ওইখিয়ে" ১১

১১ ৱাকোকলোন খিলেন



লাং হায়বদি মফম অসিদা লাংবা, লাংতক্লবা, মিহৌবা হায়বনি। মীতৈলোন্দা 'খোয়' হায়বদি পুক্লিং হায়বনি। খুদম— খোয়দাদে, খোয়দাজে, খোয়রাংশ……। মরম অসিনা 'হৈরাংখোয়' হায়বদি নুপা ওইবশিংগী মিৎয়েং থমফম; মিহৌনফম ওইবা নুপী ওইবীশিংগী থবাক হৈরাংখোয় মানবা অত্তব হায়বনি।

মরম অসিনা মথককী ইশৈ পরেং অনি অসিনা হায়রিবদি থবাক অত্ত উরুবদা অপাম্বনা মৈহৌরে. মিহৌবনা থুমহৎলে, চানবা ওইরে শোরুবা ওইরে হায়বনি— অত্তবু……।

'শীবু খোইনা হাওবা হৈদি.
চীত্তম্বা হৈনিদা.

মফম অসিদা শিজিন্নরিবা 'শীবু' হায়বা ৱাহৈ অসি নুপা ওইবশিংগী পুক্লিংদা হৌরক্লিবা ইহৌ— অপাম্বা মিহৌবা— অত্তবু মঙৎশিনবা ৱাহৈ (Demonstrative Pronoun) নি। শন্নক্লিবা ৱাথল — অপাম্বা মিহৌবা— অত্ত পুংবদগী হেনবা মরম লৈরি, 'চীত্তম্বা হৈনিদা হায়বনি। 'চীত্তম্বা' হায়বদি তাইবং মালেমদা তাইবংচানা ইহান হান্না লাক্লগা অহানবা চাবা পোৎ হায়বনি। 'চীত্তম্বা হৈনিদা' হায়বদি তাইবং শেম্বা মপু মহাক্না তাইবংচানা পল্লেমগী নাওশীকোন্দগী তাইবং লমজাও ফাওরক-পদা অহনবা উহৈ ৱাহৈ চাবা ঙমদ্রিঙেদা চারুনবা থারকপা ইরিক লাইজ "পালেমগী খোম্লাং" হায়বনি।

মরম অসিনা মথকী ইশৈ পরেং মরি অসিনা হায়রিবদি তাইবং শেম্বা মপু অত্তনা থারকপা থরাই—মিরেল অত্ত পন্থৌ

মপাদা পন্দুনা লৈরে, পন্থৌ মপাদা পন্দুনা লেরিবা থরাই মিরেল অদু পন্থৌগী শান্নপোৎকুম উংলিবা পলেমগী নাওবীকোন্দা থাদরে, নাওবীকোন্দগী তাইবং লমজাও খোংদারে, তাইবং মালেমদা 'পলেমগী খোম্লাং' থকহুনা তাইবং শারেপ তম্লরে হায়বনি।

ইশৈ পরেং মরি অসিগী য়াম্না ফজবদি ৱাহৈ খরতা অসিনা তাইবং পানবা মপূদগী, পলেম পন্থৌ অমদি ঐগী পূন্সিগী অহৌবশু পুন্না উহনবা অসিনি।

ময়াই লৈকায় থম্বাল শাৎলে
খোইমুনা ইন্লে খোইরাবা,

মীওইবা ঐখোয়গী থমোয় (heart) পু মীতৈনা 'থমোয় থম্পাল' ১২ কৌই। থমোয় থম্বাল অসিদা ঈনা থন্না কন্না চেনখৎলকলিবা মথৈ হায়বদি নহা ওইবগী মথোৎ কাখৎলকলিবমথৈ মীওইবনা অরাম খোরাংবা হেনগৎলকই, অপাম মিহৌ হেনগৎলকই। অসুন্না অচুম অরান খংদবা অপাম্বা মিহৌবনা লমজিংবা পুনসিগী তাংককপু "ময়াই লৈকায় থম্বাল শাৎলে খোইমুনা ইন্লে খোয়রাবা" হায়না ফোংদোকই। খোইমু=খোয়+মু হায়বদি পুকনিং অমুবা হায়বনি। "খোইমুনা ইন্লে খোয়রাবা" হায়বদি হকচাং শকতন্না মপূং ফানা ইনখৎলল্লবা অদু অমুবা ৱাখল ডাকতা খল্লি হায়বনি।

---

১২ থমওই য়াংওই সেকনিং।



শাবী লাও লাও চংশি লাও
কল্লকপা য়াম্মী কঙ্গাওবা য়াম্মী
মাংদা থারো লাও

শাবী=শাগী হায়বদি মীতৈলোন্দা থরাই—মিরেল হকচাংবু পুরিবা মপু মাগী মীওইবদা য়াওরিবা অহিংববু পিরিবা পোং অদুবু থংনৈ। 'শাবী ইবুংঙে', শাবী ইবেম্মা' হায়বদি "ঐগী পুনসিগী থরাই, ঐগী পুনসিবু পুরিবা, ঐগী হকচাংগী মপু" হায়বনি। মথক্কী ইশৈ পরেং অনিদা কল্লকপা মিহৌবা অচুম অরান খংদবা পুনসিগী শকতম অমা উংথ্রে। হন্দক্কী পরেং অচুম অসিদা তারকলিবনা অদুগুম্বা পূনসিগী অপাম মিহৌব পুন্নমক অদু মপু মাগী শরুক ওইরিবা থরাই-মিরেল অদুগীদি য়েরুবনি, কল্লক য়েংশি লাংনি থাদোক্লমলো, মাংদা থারো মপুগী লমদম পাংলসি হায়বনি।

শকলিবা লাঙ-ইশৈ শরুক অসিনা মিকুপ খরগী মতুংদা খমলুং শন্না তাল্লগদবা তাইবংচাদা পুনসিগী হৌরকফম, পুনসিদা থোকখিবা অন্না অনাগী থোদোক কয়া সুংশিবা কল্লকপা, মিহৌবা পুন্নমক নিংশিংহল্লি। পুন্নমক অশেংবা থরাই মাগীদি করিশু কান্নদবনি থাদোকলো হায়না তাহল্লি।

লানশোম্বীগী লময়াইদা
মুত্তনা ৱারে পোংথাবা
ইপাম লমদম য়েংলুবদি
সুংশিবা মায়কৈ তামথরে

পম্বোগী পৌজাগী এগী পূনসিবু পলেমগী নাওনীংকোন্দা মরু তুনবিরে। পলেম অপোকপী মগারা থা তরা নাওপুরে। তাইবং লমজাও খোংদারে, পলেমগী খোংলাং থকতুনা তাইবং শারেপ তাল্লক্লে। তাইবং শারেপ ফারবদা কল্লকপা, মিহৈবা; অপাম্বা, সুংশিবগী লানফমদা অতাই তাইবংনি কাওতুনা, থরাইগী মপু ওইরিবা মহাকপু কাওতুনা পুনসি লেপ্লুরে। অদুবু হৌজিক্তি শিকুপ থরগী মচুংদা খগুং শরা তাল্লগনি, অরোইবা য়াংশিপতা হিপলগনি।

"লানশোম্বীগী লময়াইদা"

"লানশোম্বীগী লময়াইদা" হায়বদি অরা অনানা থল্লবা, কল্লক য়েংথিনা থল্লব হিংবগী লানফম ওইরিবা তাইবংপানবনু হায়বনি। লানশোম্বী = লান + শোম্বী = লান হায়বদি পূনসিগী লান = শোম্বী হায়বসি অরিবা লোন্দা 'সনবী' হায়না লৈরম্বা য়াই অদুবু এখোয়না হৌজিক "শোম্বী" হায়না লৈরমলে। শোম্বা নত্রগা শোম্বী হায়বসি মীতৈলোন্দা মখোং শোম্বা হায়বদি মী খুনিংবু পুনসিগী লান্না মখোং শোমদুনা হিংহনবা থুংনরে। "লানশোম্বীগী লময়াইদা" হায়বসি "লান্না থল্লবা লময়াই হায়বনি তাইবংপান অসিবুনি হায়বদি শোয়দ্রে।

"মুহুনা রারে পোংথাবা"

মুগু = মু + হু = মু হায়বদি অঙুবা হায়বদি তাইবং পানবদা থল্লিবা রাথল— কল্লক য়েংথি মিহৈবা অসিনচিংবা পুম্নমক অসিবু হায়বনি। মু হায়বদি মী হায়বনি হুপা হুপী অনিগকপু থংলনা রাহৈদি। 'মুহু' হায়বদি তাইবং পানবগী কল্লক য়েংথি মিহৈগী লান্দা লুপতুনা লৈবা মীবু হায়বনি। মরম অসিনা "মুহুনা রারে পোংথাবা" হায়বদি পুনসিগী কল্লক য়েংথি মিহৈ লান্দা লুপতুনা লৈরুরবা মী অদু ওসিদি লান শোরুবা অদু ঙমজতুনা রারদুনা লোংনা হিপতুনা শিবা চাইদুনা লৈরে হায়বনি।

মীতৈগী রাথল, মীতৈগী রাংউলোন ( Philosophy ) ফজবগী ফজবনি, সুংশিবগী সুংশিবনি। লান্ন-ইশৈ অসিগী তাংকক অসি কাওবগী ফজবা অসি অঙকপনি।

পলেম পম্বোনা পোকপিরে। তাইবং শারেপ ফারকলে। অরা সুংওাই সুংশি সুংওনগী পুনসিদা খোংদারে। পারি মমোম ফংলে। চীংদা কাত্তুনা শীং চল্লে, পাংতা কুমহুনা ঙা ফারে। পাম্বি মমোম য়োকপদা পাম্বোমগী পাজল লোইরক্লে; কপ্পাক কুরু কাররে। পুনসিগী লানফম মায়ওক্লবা ঙমলকত্রে। রারদুনা, পুমসিলান শোক্লবদা কেমলদুনা হৌজিক্তি অরোইবা ওইনা পোংথাদুনা হিপতুনা লৈরে ( শিরে )।

ইপাম লমদম য়েংজবদি
সুংশিবা মাবকৈ তামখরে।

ইপাম = ই + পাম = ঈ + পাম্বী = 'ঈ' হায়বদি এখোয়গী ইশাদা চেল্লিবা পুনসিগী মশক ওইরবা ঈ অসিবু থংবৈ অদুগা ঈ না চেল্লিবা মী, শা, উচেক থরাই পানবমুম থংবৈ। 'পাম' হায়বনা হৌরককম ওইরিবা অদুবু থংবৈ। মরম অসিনা "ইপাম

"লমদন" হায়বদি ঈ পুন্নমকী হৌফম ওইরিংা মপু মহাকী মফমবু থংনৈ। সুংশিবা= সুং+শিবা= 'সুং' হায়বদি পোকপদগী হৌজিক ফাওবদা ঐনি হায়বা থংলিবা, ওয়াং, ওসি, হয়েং হায়বা মতম অক্তসু শন্নহল্লিবা তৎতবা সুংগী রাখলগী ইচেনবু 'সুঙ' কৌই। খুদম— পুনসি সুংশাংবা, সুংথং ইল্লম্লা... ...। 'শিবা' হায়বদি মফম অসিদা হিংদবা হায়বনি। মপু মহাকত্তি ঐখোয় পুন্নমক্কী সুংশিবনি. মপু মহাক্কী মফমদদি ঐখোয় অসি নোংলৈ সুংশিংকী মমাংদা তেরা মফোলগুম্বনি। মহাকত্তি সুংশিবগী সুংশিবনি। মপু মহাক্না ঐখোয়দা 'সুংশিবা' হায়বা অমা পিনরগা তাইবংপামবা লোমদনবা হোৎনৈ। মহাকত্তি সুংশিবগী সুংশিবনি, সুংশিবগী হৌকমনি। মরম অসিনা মথক্কী লায় ইশৈ পরেং অমি অসিদা হায়রিবদি মীওইবা ঐখোয়না অপাম সুংশি কল্লক য়েংথি মিহৌ পুনসিগী লান্দা পুনসি লেল্লুরে। পুনাস অসিদা ঐগী সুংশিবা সুপী, ঐগী সুংশিবা ইচা, ঐগী লনথুম হায়বা রাখল অসিদা অসুক্কী মতিক লুপলুরে, অতাই তাইবংনি কাওরুরে, শিনি কোবা খললুক্রে। অদুবু পুন্নমক অসি অরেম্বা ওইরমলে। পুন্নমক অসি অরেম্বনি থংলক্লবা, মপু মহাকতনা অরেম্বা মরুপনি থংলক্লবা মতম অসিদাদি পুনসিগী অপাম সুংশি কল্লক য়েংথি মিহৌ লাংদা থুক্রবনা তাইবং পানবা শেম্বা মপু মহাককী মফমদি, থোইথোইবা সুংশিবা তাইবংগী মপা মহাকক্কী মফমদি তায়মলে; থাম্বা লৈরমলে হায়বনি।

মসি য়োরগা "হৈরাংখোয়নিদা" হায়হুনা অমুক হনজিন্না



শকই। তাইবংপানবা মপু মঙোন্দগী লাপথোকহনবা পুনসিগী লানবু অমুক নিংশিংহল্লি।

চেক্লা পাইখরবনা
পোম্বী হজিল্লকপদা
চেক্লাগী কাইদোংফম থংদবনা
পোম্বী কংঙাওনখরে

হৌজিকত্তি ইথৈ নিংথৌ রাংপুলেনগী লাইজ ইরেল ইপুংনা ইহৌরকলে। সমু হকচাং অপুম্বা ঈনা ইশিং ওল্লক্রে, ইশিংনা পুমথুম থ্মলক্রে। থরাই কোবা চেক্লাগী মিকুপ অমা পনফম লৈরকত্রে। থরাই কোবা চেক্লানা সমু হকচাং থাদোকতুনা মফম থংদনা পাইথোকখ্রে।

মফম অসিদা 'চেক্লা' 'পোম্বী' হায়বা রাহৈ অনি শিজিন-নমি। পাকচাওরবা ওমথৈ লৈত্রবা তাইবং অতিয়াদা পাইরিবা ওচেকপু মীতৈনা 'চেক্লা' কৌই। মফম অসিদা, মীগী মশানা শিরহুনা ঈ পুন্নমক ইশিং ওল্লক্লহুনা লৈবা য়াত্রহুনা হকচাং থাদোয়মলগা থোরক্লবা থরাইবু চেকলাগা পান্দমদৈ। চেক্লাদি মাগী কাইদোংফম লৈবনি, কাইদোংবনা মাগী পোৎথাবনি। অদুবু থরাই কোবা চেক্লাগী কাইদোংফম ওইরিবা সমু হকচাংদা ইশিংনা থ্মখরে, কাইদোংবা য়াখিত্রে। পোম্বী=পোকপী— মীতৈনা চোংঙা অমুবী, তেজবানচিংবা য়োক্লবা শরঃ মচা অদুবু 'পোম' কৌই। মফম অসিদা মী ওইবগী সমু হকচাংবুনি। 'পী' হায়বদি মপী, সমু হকচাংবু অহিংবা ওইনা চৎশল্লিবা

অদুবু হায়বনি। মরম অসিনা ‘পোলগী’ হায়বদি হকচাংগী থরাই হায়বনি। ঙৈশ অসিদা ‘চেক্লা’ সু ‘পোম্বী’ সু অনিমক থরাইবু হায়বনি, অদুবু শিজিন্নকমদি খেন্নৈ। ‘চেক্লা’ হায়বনা থরাই মতোমগতবু তোঙান্না হকচাংগা কোয়দনা শিজিন্নবনি, অদুগা ‘পোম্বী’ হায়বনা থরাই অসি হকচাংগা কোম্না শিজিন্নবনি।

হকচাং = হক + চাং—মীতৈনা English লোন্দা element হায়রগা খংনবা মশাগী অরুম্বা লৈবা পোৎপু ‘হক’ কৌই। ‘চাং’ হায়বদি অরেম্বা শরুক, ওল্লবা, অকক্লবা হায়বনি। পোৎশিং হায়বদি হৌজিকী মতমদা শেংনা খংলবা য়োৎ, কোরি, সনা, ওক্সিজেন, নাইট্রোজেন··· অসিনচিংবা পুম্নমক অসি অরেম্বা চাং অমদা তিমশিন্নরগা ‘হকচাং’ ওই হায়বনি। মসি মীওইবগী ‘হকচাং’ হায়বা রাইহ অসিগী রাইহস্লোকনি। অদুবু মীওইবমা শিরবা মতমদদি ‘চাং’ অসি কায়রে, থরাইনা লৈবা য়াজ্রে। থরাই চেক্লা পাইথোক্লে।

মীওইবগী সমু হকচাংদা কায়দোংফম ওইবা য়াত্রবুদা থরাই কোবা চেক্লাদি পাইথোকখ্রে। অদুবু থরাই কোবা মহাক্না সমু হকচাংদা লৈরিঙৈদা তাইবং লান্দা য়াওরকই। ঐগী মুংশিবা, ঐগী য়েক্লবা হাম্বা রাখলদা লুপলকই। ঐগী ইচা, ঐগী ইতু ঐগী ইরল চায়বা রাখলদা লুপ্লকই। তাইবং পুনসিদা লুপলুবনা থরাই কোবা চেক্লাদি পাইখিবা ওমক্লে, সমু হকচাংদা অমুক চংগে নিংলক্লে। মসিবু ইশৈ অসিদা “চেক্লা পাইথরবনা, পোম্বী হক্তিল্লকপদা” হায়না শৈশাদৈ।



অদুবু সমু হকচাংদি ইশিং অরিবনা ইথুম্নলে, পুম্নমক কাংথোং চাইরমলে, হক্তিনবা মাদে, কায়দোংফম ফংদ্রে। তাইবং পুনসিদা লুপলুবনা তাইবং হকচাংবু থাঙমদবুনা নিংঙমদনা হক্তিল্লরুবা থরাই চেক্লানা কায়দোংফম অমুক লৈতবদগী, ফংদবদগী নিংঙমদনা অমুক কোয়ঙাওননা পাইদুনা লৈরে। ঐগী ইচা মুংশিবা ঐগী পুগী মুংশিবী, ঐগী ইরল পাম্মুবা থাদোক, নিংদে অমুক তাইবং হকচাং হনজিন্দুনা মখোয়গী মরকতা লৈজনিংই। অদুবু কদাই, তাইবং হকচাংদি ইথু মখে, কাংথোং চায়খরে। নিংঙমদ নিংঙমদনা থাদোকলে, কংঙাওনদুনা পাইরকলে। মসিগী থরাইগী কিভম অসিবু “চেক্লাগী কাইদোংফম থংদবনা, পোম্বী কংঙাওনখরে” হায়না শৈথাদৈ।

শাবী ইনেম মচা পাম্মুবী
চীংনুংগী সনা লোকতগী পাইখিরকলোনে।

পরেং অনি অসি মীতৈগী লায়-ইশৈ অসিগী অরোইবা পরেংশিংনি। তাইবং পুনসি ওইরিঙৈদদি থৎনু থৎনৈ, চৈনু চৈনৈ, এখোয়না তাইবংচা ওইবনা। অদুবু পলেম পম্মৌনা অরোইবা য়াহিপ তম্লরুবা মতম অদুদদি মিৎতগী পি তারক্লে, নিঙগদবা মৈনা চুরক্লে। খায়ন মৈশা লাংলক্লে। “হা পলেম পুংশিবী, এখোয়বু থাদোক্লগেরা? পম্মৌ নংবু কৈদনো, নচা লৈবদু কাওরব্রা?” অদুবু কনানা পলেম পম্মৌবু থাম্বা ঙম্বগে?

অসুম চৎখি… চৎখি .. থাম্বা ঙমহৌদে। অসুম লৈহৌই… ঐখোয় লৈহৌই … নিংঙমদনা।

শাবী হায়বদি থরাই হাবনি মথকতা হায়জরে। থরাইগী পাম্বী ওইরিবা থরাই পুম্নমক্কী হৌফমদি তাইবং মপু মহাকনি মথকতা হায়জখে। তাইবং মপু মহাক্না থরাইগী থরাইনি, থরাই পুম্নমক্কী হৌফমমি, মহাক্না অরাংবনি। মপু মহাক্কী ১শেক মঙাল্লা ঐখোয়গী থরাই ওইজবনি। মহাক্না অরাংবনি, ঐখোয়না অনেম্বনি। 'ইনেম মচা' হায়বদি অনেম্বা তাইবংদা পোক্লরবা মপুদগী লাকপা থরাই হায়বদি শিরিবা মী অহুগী থরাইবু হায়বনি। 'পাম্মুবী' হায়বদি য়াম্না নুংশিজবা থাঙমদবা হায়বনি।

থরাই কৌবা চেক্লানা নিংঙমদা নিংঙমদনা পাইথরে। তাইবং পুনসিদা চংহুনা নুংশিরবা নুংশিরবীগী মরকতা তিনজ-নিংববু কায়দোংফম কৌবা ফংখিক্রে, অশিবগী চৈথৈনা খনখরে। অহুগুম্না তাইবংদা লৈহৌম্লিবা তাইবংচাশিংনসু মিৎতা পিরাং শিন্নরে। চৎখিব্রা থরাইবু নুংশিবনদি থাংঙমদে, থামগে হায়বসু থামঙমদ, শিরিবা মীগী মচা মশুশিংনা থমোইদা চাক-শবু "শাবী ইনেম মচা পাম্মুবী" হায়না শৈথানৈ।

'চৌংনুং' হায়বদি মীওইবগী শমু হকচাংবু হায়বনি। চৌংনুং = চৌং + নুং = চৌং হায়বদি চিংবা, শুবা + নুং; হায়বদি রাখল, হুঙ। মীওইবগী 'হুঙ' হায়বদি রাখল লৌশিং ওইবা পুম্নমক অসি হকচাং অসি য়াওদনদি লৈবা রাদে। রাখল



লৌশিং পুম্নমক অসিবু য়োমহুনা, চিংহুনা, পুহুনা চংলি হায়বগী মীওইবগী সমু হকচাংবু 'চৌংনুং' মু কৌই। "সনা লোক" হায়বদি মীওইবগী শন্দোকপগী ইচেলবু 'সনা লোক' কৌই। সনা হায়বদি সন্না (শন্দোকপা) হায়বনি, 'সোনা' হায়বা রাহৈ-দগী লাকপা সনা (gold) হায়বা রাহৈভ নত্তে। চীং অনিগী চৌংচপন্তা চেনবা ঈশিংবু লোকী ঈশিং কৌই, চীংচপ অমসুং চিংশিংগা কোমনা থংবা রাহৈবু 'লোক' কৌই।

তাইবং পুনসিগা শিখ্রবা মীশিংগা তোঙান তোঙান্না লাহল্লিবা অসি অশিবগী চৈথৈননি। শিগদোরবা মীনা অমসুং শিখ্রবা মীগী থরাই মিরেলনা তাইবংগী অপাম নুংশিবু থাদোক-নিদহুনা, থাদোকপা ঙমদবদগী মপুগী মনাক থংঙমদে। শিরবা কাওবদসু অপাম নুংশিনা পুন্দুনা থমই। অদুবু কদাই! তাইবং পুনসিবু থানিংদবদগী কংঙাওনরবা থরাই চেক্লাগী কায়দোংফমদি কদাই? অদুগা তাইবংদা লৈহৌরিবা কায়ন-মৈচাক ফংলবা তাইবংচাশিংনা থরাই চেক্লাগী অরাবা কনবা ঙমগদ্রা? পুম্নমক অরেম্বনি; শিবগী চৈথৈনা খনখরে। তাইবংদা লৈহৌরিবা তাইবংচাশিংনা শিখ্রবা মীগী থরাই চেক্লাগী অরাবদি উ, শিবগী চৈথৈনা খনখিবনা তাইবংদা তিন্নবা পাম্বৈদি পিবা ঙমদ, শিখ্রবা মীগী থরাইনা অমুক মপোক লাংঙল্লি হায়বদি থাজ, শিখ্রবা মীগীদমক তাইবংদা লৈহৌরিবা ময়াম্না রাবা নুংশিবা অমসুং মাবু অমুক তাইবংদা উনিংবা পুম্নমক অসিবু "শাবী ইনেম মচা পাম্মুবী চৌংনুংগী সনা লোকুগী পাইখিরক্লোনে"

হায়না তেংখানৈ। তাইবংদা অমুক মীগী মখাদা চংহুনা পোক লকখো, ঐখোয় উনখিশি হায়বনি।

মথকতা হায়জখ্রে— মীতৈদি শিদ্রিভৈদা খাংলেনফমদা মচা হুপা হুপীনা লমজিংহুনা পুথোকই। খাংলেনফমদা মতম থরা শিবা ডাইহুনা হিপ্পুনা লৈ। মথককী ইশৈ অসি লান্ন ইশৈনি। শিরমদাই পুথোকপা অমম্বং শিবা মতমদা শকপা ইশৈনি। লান্ন—ইশৈ অসিগী কান্নবা, হুঙগী ফজবা. তাইবং শেম্বা মপু অহুগা তাইবংদা পোক্রবা তাইবংচা ঐখোয়গা লৈনবা মরি শেংনা তাকপা, পুনসিবু শেংনা উবা, পুনসিগী লম্বী তাকপা লান্ন—ইশৈনি, তাইবং মাপেমদা তাংলবা মীতৈগী লন্নি।

শিরবা মতুংদা মীতৈনা কন্নম্না লীচৎ—থোরম পাংথোক্লমই য়েংশি।

"মতৌ অহুম্না তীল্লী— লাইলী থিনা অমাই—নপশীন হৈপনা মথৌ খময়াংকনিএ। অসিনা শুমিৎকী মথৌ থময়াংপা কৌএ। অহুকা থাকী মথৌ খময়াংপা রাৎলীএ। অহুপ্ন ফিলোই হায়না কৌএ॥" ১৩

মী অমা শিরবদা মীতৈ ঐখোয়মা তৌগদবা লীচৎ-থোরম (ধর্ম্মগী ওইবা) অনিথক লৈ— অহানবনা চুপশা মোইথেম; অনিশুবনা ফিরোই।

## চুপশা মোইথেম

মথকতা লান্ন—ইশৈগী মতাংদা তাইবংচা ওইনা পোকল্লরবা

১৩ পোলপী লাং



থরাই চেক্লানা অপাম শুংশি তাইবং রাথল থাঙমদবদগী কংভাও দনা কোইপাই পাইহুনা লৈবগী রা পনজখ্রে। নিংথমত্রবা তাইবংদা লৈহৌরবা মচা মশুনা তাইবংদা পোক্লকখো অমুক উনখিসি হায়না কপহুনা তেংথাবগী রা পনজখ্রে। মথককীনা লান্ন ইশৈ তেংথারোননি। চুপশা মোইথেম লীচৎকী ওইবা থোরমনি।

তেংকম থংদনা কোইপাই পাইহুনা লৈরবা শিথ্রবা মীগী থরাই চেক্লাবু তংতাবা কায়দোংকম সমু হকচাং অমা পীলবা তোষা পাংথোকপা থোরম্ চুপশা মোইথেম কৌই। চুপশা মোইথেম শুমিৎকী থোরমনি। ফিরোংনা থাগী থোরমনি। শুমিৎকী মথৌ থময়াংববু চুপশা মোইথেম কৌই অহুগা চহিগী মথৌ খময়াংববু ফিলোয় (ফিরোই) কৌই।

চুপশা মোইথেম কনিদো য়েংশি। চুপশা = চুপ + শা = চুপ হায়বদি চুপশিনবা. শা হায়বদি হকচাং নত্রগা থরাই পানবা পোৎ অমদা, চুপশা হায়বদি হকচাংদা নত্রগা থরাই পানবা পোৎ অমদা চুপশিনবা লোৌশিনবা হায়বনি। মোইথেম = মী + ওই + থেম — 'মী' হায়বদি মী, 'ওই' হায়বদি ওইনবা. থেম হায়বদি থেম্বা. হোৎনবা. মোইথেম হায়বদি মী ওইনবা থেম্বা. হোৎনবা হায়বনি। মরম অসিনা চুপশা মোইথেম হায়বদি থরাই চেক্লা অহুবু তাইবং হকচাংদা পুশিল্লগা মী ওইনা পোক্লবা হোৎনবা

হায়বনি। ঐখোয়না মথকতা শিখ্রবা মীগী থরাই চেক্লানা তাইবংগী অপাম কুংশি তাইবং রাখল থাঙমদবদগী কংঙাওননা পাইক্লনা লৈ, অমসুং তাইবংদা লৈহৌরিবা তোকম খংদ্রবা নিংঙমদ্রবা মচা মশুমা "চৌংথুংগী সনা লোক্তুগী পাইবিরকলোনে" হায়না নিংঙমদনা তেংথাবা পীনজখে। মতাং অসিদা লাক্লিবনা, অতুগুম্বা নিংঙমদনা কংঙাওননা পাইথ্রনা লেপ্পবা থরাই চেক্লা অদুবু পলেম অমগী পীবুকনুংদা পুশিন্দুনা মী ওইনা পোকলক্লবা লীচংকী হৌমবা মতুংইন্না থরাইগী থরাই ওইরিবা, তাইবং মপু শকনাইদবা, থোইথোইবা মহাকপু খুক্রমদ্রনা শিখ্রবা মীগী পুকনিং অমসুং লৈহৌরিবা মচা মশুগী পুকনিং অনিবু শমজিন্নবা* চুপশা মোইথেমদা হোংনবনি। থাক্লবা অমসুং কুংশিবগী য়ুমক্ষমদা শাগংপ চুপশা মোইথেমনি।(

পোলপী লাংনা শিববু "নোংতাই লৈতাইপা" হায়না কৌই। তাইবং সমু হকচাংনা ইথুল্লবদা, থরাই কৌবা চেক্লাদি মপান নাইত্রবা নোংদোন তন্না পাইথোকপ্লে। মসিবু 'নোংতাইপা' কৌই। ইথুল্লবা সমু হকচাংনা লৈরোলনুংদা লাশিনখ্রে মসিবু লৈতাইবা কৌই। "লৈতাইপতি পলেম অমাপু তাইপনে। নোংতাইপাতি পম্বী ইপাপু তাইপনে" ১৪

* শিখরবা মীগী পুকনিং অমসুং লৈহৌরিবা মচা মশুগী পুকনিং অনিবু শমজিন্নবা=শিবা হায়বসি তাইবং মপুগী থৌদানি, তৌদবা য়াদ্রবনি খংনাখংনা মীনা শিনিংদে, শিরবা ক্লাওবদা থরাই চেক্লানা তাইবং রাখল থাঙমদবদগী মপুগী লমদম তন্না পাইঙমদে, কংঙাওননা কোইপাই পাইদ্রনা লে। অদুগুম্বা তাইরংদা লৈহৌরিবা মচা মশুনসু শিহন্নিংদে, কায়না মৈশা ফংবদা পিরাংনা ইহৌনৈ। অদুবু থাম্বা ঙমদে। অসুম্না শিনিংদব, অমসুং শিহন্নিংদবা রাখল অসিবু চুপশা মোইথেমদা শমজিন্নৈ। "চৌংথুংগী সনা লোক্তুগী পাইবিরকলোনে" হায়বা অদুবু তশেংনা ওইনবা মী ওইনা পোকলকনবা চুপশা মোইথেম পাংথোকপনি।



মীওইননা শিরবদা সমু হকচাংদা য়াওরিবা 'হক' হায়বদি element পুম্নমক অদুনা মালেম লৈসাদা তিনখি অদুগা থরাই মিরেল অমনা মপান নাইত্রবা নোংলোন্দা তিনখি। অসুম্না নোংতাইপ্রবা থরাই—মিরেলবু, মনবা নাইত্রবা মপুগী খুদোল থরাইবু, অনৌবা হকচাং অমা পিনবা পলেমগী পীবুকনুংদা পুরক্লবা হোংনবা লীচংকী থৌরমবু চুপশা মোইথেম কৌই।

ঐগী লাইরিক্কী অহৌবা মপান নাইত্রবা নোংলোন্দা কংঙাওননা পাইথ্রবা থরাই চেক্লাবু অনৌবা সমু হকচাং পীনবা পলেম অমগী পীবুকনুংদা পুরক্লবা, মী—ওই পুনসি ওইনা পোক্লকবা হোংনবা মীতৈ লীচংকী থৌরমবু চুপশা মোইথেম কৌই হায়জখে। অদু ওইরবদি চুপশা মোইথেম হায়বসে করি লাইশোন শোন্দুনা, করি পোং কংতুনা, করম্না খুংলাই (পেনা ?) শিজিন্নদুনা, করম্না মফমদা করম্না ঙংদা পাংথোক লম্বগে হায়বসে শোয়দনা ফংফম থোকপনি। মসি ঐনা অরেপ্পা ওইনা খুম্বা ঙমদ্রে। মতাং অসিদা ঐখোয় মীতৈনা পিরাং ইহৌনা নিংশিংফম থোকই— *"মৈনা রাইনা তাংনা শম।"

১৪ পোলপী লাং

মীতৈ লৈপাকক্তা লৈরিবা পুরা অযাম্বা মরু ওইনা মরেক ওনা ইবা, অসি ১৮ শুবা সটাবদিদা মায়াং মখুৎ চংথিবনা মরা লোবা য়াম্রে। হিরম অসিদা থাজবা য়াবা পুরা লেংনবদগী মসিগী পাওথুম অসি শেংনা পিবা ঙমদবনি।

মীতৈগী চূপশা মোই-থেম কনানা পাংলোক্লমই ?

"লৈশেমলৈদগী চৎনরক্লবা মীতৈগী লাই হরাওবা কোথা থোরমবু মমাংগী জীনশোন লাইশোন হাপচিনখি। মীতৈগী চূপশা মোইথেম কোবা *লায়া থোরমবু শ্রাদ্ধ হায়না মায়াং ধর্মদা ওহোকখি॥

মীতৈগী চূপশা মোইথেম তোংদি মীতৈ লৈপাক্কী পুংওাই য়াইক মবাং কায়নবা। খিবা মীপু হেনা কবা মী ওইনা পোক্লবা শাগৈ পীবা মথৈগী

*"মৈনা বাইনা তাংনা শম"—অতুত্তৈ পামহৈবা। গয়িবনীবাক্তনা পানহৈদা পুরা ভুয়া মৈ থাখি। মীতৈগী লীচংপু থাংনা নমথখী। মীতৈগী অশেংবা লীচং ইবা পুরাবু মৈ থাদোকলগা অবাইবা মায়াং লৈপাক্কী ধর্মবু শমজীরী। মীগীদা তাংহুনা শমজীরগা ঐখোয় মীতৈগী অশেংবা মাংনবা হোৎনখী। মরম অয়না হোজীক কংলীবা পুরা কয়ামুক্কী মায়াং মখুৎ চংখীবনা মরা লোবা য়াম্রে। মসী পুন্নমক থংনবা 'মৈনা বাইনা তাংনা শম" হায়না শৈথানরমই। 'বাইবা' হায়বদি চাকপা নক্লগা থাদোকপা হায়বনী।

*লায়-থোরম— বাহৈ অসী কুইক্রীবা বাহৈনী, হিগু নমহুনা ওনহনবা মতুংদা শিজীন্নকপা বাহৈনী। মীতৈগী লায় ইশৈদী লৈ; লায়-থোরম লৈতে। বাহৈ অসী মীতৈগী লীচংকী চানদে। চুপশা মোইথেম হায়বা থোরম অসী মীতৈগী লীচংকী থোরমনী। লায়-থোরম নত্তে।



অচেংপা লেংক্লবা থোরমনি। মীতৈনা শিরগা য়ুমথেং কৈথেং লোইরগা তুমিৎ তরেৎনিগী অয়ুকতা শাগৈগী পীবা মথৈনা শাগৈ শাগৈগী পুয়া পুখোক্তনা পুয়াগী লাশিং চৎলে॥" ১৫

মথক্কী quotaton অসিদগী মীতৈগী চূপশা মোইথেমদি পীনান( পিবা ) না পাংথোক্লমই হায়বসে শেংনা থংলে। পীপা হায়বদি মপীসু ওইবা মপান্নু ওইবা হায়বনি। শাগৈগী খুই-দদা য়াইতোং থমতোংবা পুপা অমবু পীপা হাপই। মহাক্ত মশাগী করিগুম্বা অশোইবা মিৎ নাম্মা তাংবঙম্বা লৈবা য়াদে, পুমম লোবা য়াদে, মরমচৎ শোয়বা য়াদে। খুইদগী কথা থাপাবু পীপা হাপই। তাইবং মপু শিদবা, ওয়াং হিংলোনবা; মপু অরোইবা মহাকপু তাইননবা থনবা তুপানি। মহাক্তনা লীচংকী থোরম পাংথোকই।

কয়ামিগুবদা চূপশা মোইথেম পাংথোক্লম্বগে ?

মথকতা পোলপী—লাংদগী লৌথোকপা ( quotation ) অমদা "মথৌ থময়াংপা" মথক অনি ওই— অমনা তুমিংকী মথৌ থময়াংপনি অমগা অমনা থাগী মথৌ থময়াংপনি হায়জখ্রে। পোলপী—লাংগী বাহৈ পমেং থয়া অসিনা মীতৈগী মথৌ থম-য়াংপা অসি অতানবনা তুমিংকী থোরমনি, তুমিৎ ৭ নিগী মমুংদা লৈফম থোকই হায়বসে কজনা তাকই। তুমিংকী থোরম হায়বদি তুমিংনা ৭ নিদগী হেন্দবা মরমনা, ৭ নিগী মমুংদা পাংথোকফম থোকই হায়বসি অরেপ্পা থুদমসি। তুমিৎ ৭ নিদগী

১৫ ভাগ্যচন্দ্র লাইরে লাথুপ

হেল্লগা পাংথোক্লবদি মত থাক্নি থোরম্মনি, লুমিংক্কী থোরম নত্তে।

অতুগা অমুক মথক্তা লিজাঙ্খ্রবা ভাগ্যচন্দ্র লাইর লাথুপ তগী লৌথোকপা ( quotation ) অসিদা য়ুমশেং কৈশেং লোইরগা ৭ নি শুবা লুমিংতা পীথানা চুপশা মোইথেম পাংথোকই হায়না শেংনা ইরি।

অতুগা ঐথোয়না হোৎজিক তোয়না মীতৈ—হিন্দুশিংগী মরক্তা উরিবা থোদোক অমনা 'লাইমিং লৌথ্রিবা" ( হিন্দু ওল্লিবা ) মী অমা শিরগা ৭ নিদা শোরাং শোনবা অসিনি। মসি হিন্দু ধর্ম্মগী লুচিংবা বামোনশিংনা "লাইমিং লৌথ্রবা" কাংবু অসিনি হিন্দু ওল্লি, মথোয় মীতৈগী লীচৎতা অতুম্ব চৈথনমু হায়রগা ৭ নি শোরাৎ শোলহল্লম্বনি।

পুস্তমক অসিনা মীতৈগী চুপশা মোইথেমদি শিবা লুমিংতগী ৭ নি শুবা লুমিংতা পীথানা পাংথোক্লমই হায়বসি য়েংনবা য়াত্রে হায়না খল্লি।

চুপশা মোইথেম হায়বসে মীতৈনা হিন্দু ওল্লিবগী তংশেংনা ভোরক্লবা লীচৎকী থোরমনি, থোরম অসি মীতৈনা শিঞ্জবা মীগী পাইথোকখ্রবা থরাইনা এখোয়গী ইরকতা অমুক হন্না মী ওইনা পোক্লকবা, মী অতুম্ব মীখোই মীহেক্না পোক্লকবা লীচৎকী ওইবা থোরমনি হায়বসে হেন্না ফজনা থংনবা শ্রীঅথোম্বাপু শর্ম্মানা ইরম্বা 'পাথংবা' হায়বা লাইরিক অতুগী লাঃ ৪ অমসুং



৫ দা য়াওবা রাইং পরেং কয়ামুক অক্ত ময়াম্না নৈনবীনবা মথাদা পিরি —

"গুরু অতুন মৈতৈগী ধর্ম্মব মরুকংনা মাংহল্লবগীদমক মৈতৈগী লাইরিক পুস্তমক লোইনা মৈ থাদোকই। মাগ্রদা মানা হাঙ্গ, এনা মৈতৈগী লাইরিক ময়াম মৈ থাবদা থোরিবা অসিগুম্না মৈতৈনা শিরগা তোগদবনি। শিথুবা মানা অমুক হঞ্জিন্দুনা মাগী মরী ওইবা মীবু ওত্তনবা মৈ থাবদা মংথোং থিংগদবনি। মৈতৈগী ধর্ম্ম অসিনা অমুক হন্না চংলকতুনা মৈতৈবু ওত্তনবা ধর্ম্মগী মংথোং থিংলবনি।" মসি য়েংউ হায়তুনা শিং শেমই। মথকত্তা মৈতৈগী লুর লূয়বা পুরান পুস্বা হাপলে, লিংখাক্লা অমোক মথকতা ননশিল্লে। মহাক্লা ঈশিং চকু অমা মরেংবান্দা হাপতুনা পুরে, মথুংনা থাং অমগা মৈস্তম অমগা তরেৎলক হন্না কোইরগা মৈ থাই। মৈনা চাকথংলক্ল-বদা থাংমা তরেৎলক য়ানলি। অতুগা অমোক হঞ্জল্লকত্রবা হায়তুনা নিংথৌগী সনখোংদা লৈয়ি তরেৎ চিংই। মঙ্গম তৌল্লনা মনিপুর পুম্বদা লৈবা লাইরিকপু অমত্তা থাকতনা থোমগৎতুনা মৈ থাখি। মৈতৈগী লাইরিক কপ্পা য়াদে, ইবা য়াগে হায়ঙ্খুনা নিংথৌগী য়াথংনা লিংহনলি।

"গুরু শান্তিদাসনা হাঙ্গিরমই— মৈতৈগী ঈশৈ শকপা য়াদে, মাঙ্খদা লুংশিঙ্খুনা মীত্তা পী তাহুনা কপ্পবদি— অয়ুক লুংদিল শিরগা কাক ওন্দুনা, অহিং শিরগা মকু ওন্দুনা মকোক লুংওন চীংদা পাইশিল্লি. অতুগা নরক তাই। লোংপোক নিংথৌ

পান্থোইবীগী মগুন তাবা য়াদে. খম্বা থোইবীগী ঊৈশে তাবা য়াদে, হায়রক্লা নিংথৌবু থিংজনলি, মঙ্গম তৌত্রনা মৈতৈগী মংদা ফুম্বা চিত্তামনি ময়াম ফুকতুনা শামু পোং তরুক লিংগি তুরেন্দা হুন্থখি। অসিগুম্বা শান্তিদাসকী থৌদৌ অসিদগী হৌজিকতি মৈতৈগী পুরান পুন্নমক অঙ্গ অয়াম্বা মুৎখ্রে।"

মীতৈদি মপা মপুবু লাইনি হায়না নিংই হায়বা অসিদি মা মানগবা রাকমনি। ঐগী থরাইবু ইপাদা পাল্লি অমসুং মচুবু থোপরকই হায়বগীবু ইপাবু 'পন্থৌ' কৌই, ঐগী থরাইনা ইমাদা পাল্লি হায়বগী ইমাবু পল্লেম (পন্থ + ইমা) কৌই। ঐগী লাই ওইরবা, ঐবু চাওনরবা মোকপদা মরু কুমগ্রবা ঐগীতা খনবদা পুনসি মতোন লোমগ্রবা পলেম পন্থৌনা ঐখোয়গী ইরক্তা অমুক হল্লকতুনা. মীথোয় মীহেনা অমুক পোক্লকতুনা ঐখোয়গী ইরক্তা অমুক তিল্লনবা লীচংকী থৌরম চুপশা মোইথেম' বু গরিবনিরাজ অমসুং শান্তিদাসনা মূথৎখি অমসুং অমুক হল্লকতনবা থাংনা নমথখি হায়রবসে মথক্কী শর্মাগী পয়েং খম্বা অসিনা প্রমান তৌরে।

মথক্কী 'পাখংবা' দগী লৌথোকপা "শিল্লবা মীনা অমুক হুক্লিন্দুনা মাগী মরী ওইবা মীবু ওক্তুনবা মৈ থাবদা মংখোং থিংগদবনি। মৈতৈগী ধর্ম্ম অসিনা অমুক হল্লা চংলকতুনা মৈতৈবু ওতনবা ধর্ম্মগী মংখোং থিংলবনি।" হায়না মিংথৌ অমসুং শান্তিদাসনা য়াথং পিবা অমসুং দণ্ডিপা লোইনমা লাওখোকপা অসি মীতৈবু নমথুনা মপা মমাবু হাৎহনবনি। খাংলেনক্কমদা



লোংনা হিপতুনা শিগদবা মিকুপ খরতা ঙাইরবা ফাওবদা মচা মশুবু হুংশিবনা তাইবং থাওমদ্রবা, শিরবা ফাওবা থরাইনা মচা মশুবু হুংশিবদগী চৎথিবা ঙমদ্রবা অদুগুম্বা ইপা ইমাবু অমুক হল্লকতনবা করম্না মংখোং থিংগদৌরিবা? করম্না ইপা ইমানা হল্লক্লগা মচাবু ওৎকদৌরিবা? পুন্নমক মীতৈ হাৎনবা তৌথিবনি। খুদকতা ম খোং খিংবা তোক্কদবনি। গরিবনিরাজ অমসুং শান্তিদাসনা ওৎতুনা শিখ্রবা ইপা ইপুবু কৌদুনা হিংগৎলকলিবা মীতৈগী লুচিংহনগদবনি। ইপা ইপুগী নিংবা মতোন লোমহনগদবনি। রাশকথিবা মপোক তরেৎ শুরে।

## ফিরোই

হুমিংকী "মথৌ খময়াংপা" শাগে পীপানা তরেৎনি শুবা হুমিংতা পাংথোকই হায়জখ্রে। হৌজিক থাগী "মথৌ খময়াংপা" রাৎলি। মীতৈনা থাগী মথৌ খময়াংববু ফিরোই কৌই।

মীওইবা অমগী পুনসিবু পল্লেমগী নাওবীকোন্দা মরু চুনখিবু মীতৈনা খোইজি থাদা মিহুন চুনবা, মহক শোনবা; লাকয়েন ফিয়ানবা অসুম হায়না রাহৈ কয়ানা পাঙথাবে। মীতৈ ঐখোয়গী থা ১২ লৈরগা পাংথোকলিবা লীচংকী থৌরম 'ফিরোই' হায়রবসে 'লাকয়েম ফিয়ানবা' হায়বা রাহৈ অসিদগী লাকপনি। 'লাকয়েন ফিয়ানবা' হায়বদি ফিহৌবা হায়বনি।

মীতৈনা "নাওয়োম্" কি হায়রগনু থংনৈ। মীওইবা ঐথোয়গী পুনশিগী ইচেল অসি পন্থো ইপাদগী হোৌই, পলেম ইমাদগী হোৌবা নত্তে। ঐবু পোকপা ইপাবু পন্থো কৌই। পন্থো ইপাগী মকমদা থরাই মিরেলনা পন্দুনা থা অনি লৈ। পন্দুনা লৈরিবা থরাই মিরেলবু পলেম ইমানা থৌগাইরকই হায়বগী পন্থো ইপা কৌই।

তাইবং মীওইবনা শিরবদা হকচাংনা লৈতাইখ্রে অদুগা থরাই মিরেল অদুনা নোংতাইখ্রে। 'নোং' হায়বদি তাইবং শেম্বা মপু তাইবংগী পন্থো অদুবুনি। হায়জখ্রে। তাইবং মপু মহাকতি থরাই পানবা পুন্নমকপু শন্দোকপা ওইবা মরমনা সনাইলেন শিদনু কৌই। নোংতাইখ্রবা থরাই-মিরেলনা সনাইলেন্দা চংখিববু পন্থো ইপাদা চংখি হায়না মীতৈনা থাজৈ। থরাই-মিরেলদি লেপ্পা নাইদনা মপোক লাংওনবনা পলেম অমগী পীবুকশুংদা কুমথরকই অমসুং অমুক তাইবংচা ওইহনা তাইবংদা শীরৈ। অসুম্না মপু মশোন্দগী থোয়কপা থরাই মিরেল অদুনা লেপ্পা নাইদনা মপোক লাংওন্দুনা মপু মাগী তাইবং কুইমদা য়াওই। সমু হকচাংনা শিরদুনা ইথুরবদা, কাইদোংফম লৈত্রদুনা পাইথোকখ্রবা থরাই চেক্লানা অফবা পন্থো অমদা চংদুনা পূকফবী য়াইফবী পলেম অমগী পীবুকশুংদা তারুনবা চুপশা মোইথেমদা তাইবং শেম্বা পন্থোমশোন্দা থুরুমজৈ, থৌনিজৈ, চাকহেন য়ুহেন তৌই। মথকতসু পনজখ্রে।

অসুম্না তাইবং পলেম পন্থোগী সমু হকচাংদা চংথ্রে হায়না থাজরবা থরাই-মিরেল অদু থা ১২ নি শুরবদি মপুং ফারে, তাইবং ওইনা পোকলে, ফি লোইরে হায়বগী থা ১২গী থৌরমবু 'ফিরোই' কৌই। নৌনা তাইবংদা থোংদারকলিবা তাইবংচা অদুনা সুভাই য়াইফ য়াইথী মরাং কাইনা পুনসি হুংশাংনা তাইবংদা লেপ্লনবা ফিরোই হুমিংতা অচা অথক তরা লুকোয় কংদুনা তাইবং মপু মশোন্দা থুরুমজৈ, থৌনিজৈ অমসুং কৈরোই লৈকায় পুন্না তরা লুকমন থুনমিরে।

লোইরবা

# পুয়া মৈ থাবা

মীতৈগী পুয়া লিশিং মরিদগী হেন্না লৈরমই। মথাগী পুয়াশিং অসি পামহৈবা অমসুং শান্তিদাসনা মৈ থাদোকখি, মরু ওইবা থরদি মৈ থাবা হৌবদা পাইথোকখি*—

(১) তাওরোই লাই য়াংবী (২) পাখংবা য়াংবী (৩) তাওরোই লাই নোংখন (৪) পাখংবা নাওয়োম (৫) সনামহি নাওয়োম (৬) সনামহি নোংখল্লোন (৭) সনা মহি লাইহুই (৮) পাখংবা লাইহুই (৯) লৈথক লৈখালোন (১০) লৈখা নোংখালোন (১১) লৈচিনলোন য়ুম্বী (১২) নোংলোন য়ুম্বী (১৩) নোংলোন লাইচম (১৪) নোংদোন লাংপুম (১৫) নোংদোন লৈচিনলোন (১৬) লৈরোন য়ুমচেৎপা (১৭) লৈচিনলোন নাওয়োম (১৮) হাওবা লৈচিনলোন (১৯) লৈখা লাংপুম (২০) থিলেন শাকোক (২১) লিরোন শিকাপ (২২) খুনুং শিকাপ (২৩) থিলেল মৈরম লিবা (২৪) থিলেন লায়াং (২৫) থিলেন লাইচম (২৬ থিলেন চেপপী (২৭) থিলেন থিপোংপী (২৮) থিলেন কাংখোং (২৯) লৈশাংখোং থিলেন (৩০) য়ুম্বী থিলেন (৩১) নোংমাইচিং থিলেন (৩২) হৈপোক থিলেন (৩৩ লাংকোন থিলেন (৩৪) কৌব্রু লাংথৈ (৩৫) থাংজিং লাংথৈ (৩৬) লোইচিং থিলেন (৩৭) চিংথৈ সৌরুং (৩৮) চিংঙা লাংথৈ (৩৯) ললামপুং লাংথৈ (৪০) বাংপুলেন সৌরুং (৪১) নুংলোন লমপুবা (৪২) নুংলোন য়ুম্বী (৪৩) নুংলোন য়াংবী (৪৪) নুংলোন ককথাইবা (৪৫) সাকোক লাইচন (৪৬) নুংলোন মহো (৪৭) চাক্কতা মহো (৪৮) খোই মহো (৪৯) মহো লাংপুম (৫০) মহোচা তখেন (৫১) মহো সৌরুং (৫২) মহো সা, সেকোক (৫৩) মহো লাংসুম তখেন (৫৪) তাংহোং মহো (৫৫) লেমখোং মহো (৫৬) নোংপাই মহো (৫৭) লৈহো মহো (৫৮) বুব্বা মহো (৫৯) লৈহো লাংপুম (৬০) খেনখেন মহো (৬১) লৈচাই মহো (৬২) নোংলোন মহো (৬৩) লৈরোন মহো (৬৪) চকপলোন মহো (৬৫) হয়ি লাংপুম মহো (৬৬) কিখুম মহো (৬৭) চকপলোন খেনকা (৬৮) চকপলোন (৬৯) শোম্ন নুংপুং কোহবা (৭০) লেখা নুংলোন লাংপুম (৭১) সোংতোন হার (৭২) খুনুং শমপুম (৭৩) থয়ান লোন (৭৪) মরান লোন (৭৫) মরাক লোন (৭৬) হার লংশুংলোন (৭৭) চোংখুলোন (৭৮) খম্বালোন (৭৯) লাই সিংকোক লোন (৮০) অপোকলোন (৮১) লংমাই চিংকোহলোন (৮২) চিংথাং চিংকোইলোন (৮৩) লোইচিং চিংকোই লোন (৮৪) কোনচেং কোকফরোন (৮৫) চোংখুলম্বা (৮৬) কোব্রু চিংকোহ লোন (৮৭) খুনুং পুংকোইবা (৮৮) থাবি থিলেন লোন (৮৯) খুম্থোক লাংবা (৯০) শিংসং লোন (৯১) মহো য়াংবা (৯২) উরেলপুং মরুয়োন (৯৩) বারোন (৯৪) পাবোং খোংচিনলোন (৯৫) চিংলোন লাইহুই।

---

* পুয়া মশিংশিং অমম্বনা রাখুন পোমিংতঙ্গ লোথোকপনি।